## লুখোৈসে জৌ থাদোকখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হৈরোক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৮গী জুনদা লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী), চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোৈসে জৌবু মরাল লৈতে হায়দুনা হৌখিবা চহী দিসেম্বর ১৭তা এন দি এন্দ পি এস কোর্টনা থাদোরকপগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা থা অসিগী ১৪গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট-ৱানদা নিংঙোল ক্লব অমসুং হৈরোক পার্ট-ৱান মমাঙ লৈকায় মৈরা পায়বী অনী পুন্না খুৎশম্ন দুনা হৈরোক পার্ট-ৱান মমাঙ লৈকায় ৱাইটিং সেদতা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱা ঙাংখিবা সিন্থা লাইশ্রম, সেক্রেটরি জেনরেল, কাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা লুখোৈসে জৌগী কেস অসি হায়র কোর্টতা আপিল অথুবা মতমদা চৎতুনা অশেংবা দ্রগকী মপু মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। কেস অসিগী জজমেন্টতা মীয়াম্না পেন্নদ্রিবগী মরমদি, নার্কোটিক এফেয়রস ওফ বোর্দর (নাব)কী মাল খানাদগী মফম খঙদনা ফাগৎখিবা দ্রগকী সেম্পল মাঙহনখিবা অমসুং মশক নাইবা পুলিস ওফিসর অমা অমসুং লোয়র অমা য়াওনা কেস অসিগী মতম অদুগী জজ অমদা লাক্তুনা মহাক্কী দাইরিদা লুখোৈসে জৌগী মিং পান্দনবা প্রেসর পীরম্বা অসিগুম্বা লৌতুনবা মানবা থৌওংশিং লোয়ননা মশামক্কী ওফিসল ক্বার্টরদগী য়াম্লবা দ্রগকা লোয়ননা ফাখ্রবা মীওই অদুবু মরাল পীবা য়াবা ইভিদেন্স ফংদ্রে হায়না থাদোরক্লগা মহাক্কী দ্রাইভর অমা অদুগা হেল্পর অমদা য়াম্লবা দ্রগশিং অদুগী মপুনি হায়না জজমেন্ট তারকপা অসিদগী মীয়াম্না পেল্লক্তবদগী অসিগুম্বা মীয়ামগী খোঙজংশিং লাকপনি হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদু লোইশিল্লকপদা শরুক য়াখিবা খুদিংমক্না দ্রগ লল্লোনবা চৈরাক পীয়ু, লুখোৈসে জৌ থাদোকপা য়ানিংদে অমসুং ৱার ওন দ্রগস ফাগী তাহনগনু হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া অমত্তা ওইনা লাউদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

## সোরাদা ৱার এগেনষ্ট দ্রগসকী মতাংদা ৱাখল তাহনবগী কেম্পেয়ন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): যুজর কন্নেক্সন এন্দ সপোর্ট কম্মিটি, কংলৈপাক (য়ু সী এস সী কে মণিপুর) অমসুং এন্টি দ্রগস জোইন্ট কম্মিটি কাইরং, খুমিদোক, খাবৈসোইনা সালভেসন দি-এদিক্সন সেন্টর ময়াং ইম্ফাল, ইনোং ঙাল দি এদিক্সন এন্দ রিহেবিলিটেসন সেন্টর, ঘড়ী মখা লৈকায় লৈকায় অমদি স্পিরিচুএল হার্বোর সেকমাই নোংথোংম্বন্দ, নিয়র গ্যাস প্লান্টগা পুন্না খুৎশম্নুনা শীন্দুনা ৱার এগেনষ্ট দ্রগসকী মতাংদা ৱাখল তাহনবগী কেম্পেয়ন অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সোরা কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনল এস পি (এল ও) জয়রাজনা অথোইবা মীথুং, সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট জীতেন্দ্র নিঙোম্বমনা অখন্নবা মীথুং, এন্টি দ্রগস জোইন্ট কম্মিটি কাইরং, খুমিদোক, খাবৈসোইগী সেক্রেটরি অনৱার শাহ অমদি এন্টি দ্রগস জোইন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ইবোহলনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী উপ-অধক্ষ্যা এম দি নাজিমুদ্দিননা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

ৱার এগেনষ্ট দ্রগস এৱেয়র্নেস কেম্পেয়ন অসিগী মাঙওইননা এন্টি দ্রগস জোইন্ট কম্মিটিগী ভলন্টিয়রশিংনা সোরাদাগী ঙসি ফগৎলবা দ্রগস চাবা/শীজিন্নবা মীওইশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনল এস পি (এল ও) জয়রাজনা ফোঙদোকখিবদা, দ্রগ শীজিন্নবা মীওইশিংনা মশা-মশাখক নত্তনা ইমুং-মনুং, কৈরোই-লৈকাইদা চাউনা চৈথেং পীরি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না হেন্না খঙনদুনা লাক্লবা ৱাফম অমনি। মখোয়না ইমুং-মনুং অমদি কৈরোই-লৈকাইদা ক্রাইম কয়া থোকহনবসু থেংনরিবা ঙাক্তনি। ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা দ্রগ অসিনা লান্দারক্লিবা অসিদগী কঞ্জহৌনবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙক অসিনা ৱার এগেনষ্ট দ্রগ হায়না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লি। অসিগুম্বা ফজখ্রবা লৈঙাক্কী খোঙথাং অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চথরকপা থবক থৌরমশিংদা সী এস ওশিং অমসুং মীচম মীয়াম্নসু মতেং পাংশিনবীরবদি ৱার এগেনষ্ট দ্রগ অসি শোয়দনমক মায় পাকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## পোম্বীখোক প্রাইমারী স্কুল শেমজিন শাজিনখ্রে, কেম্পসসু শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী এ সীগী মনুং চন্না পোম্বীখোক্তা লৈরিবা মতম অমদা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লম্বা হৌজিক্লা শিথরক্লবা পোম্বীখোক প্রাইমারী স্কুলগী রুমশিংগী ফ্লোরিং অমসুং মথক্তা কুপ্পিবা জিঙ্ক হান্নগী এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গীগী মীৎয়েং মখাদা শেমজিনবগা লোয়ননা স্কুল অসিগী কেম্পসসু শেংদোকখ্রে।



শেমজিনবা অমসুং শেংদোকপা অদুদা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গি, ৱাঙু বোরায়াংবী জিলা পরিষদ মেম্বর এম ব্রোজেন, প্রধান বোরায়াংবী জি পি টি ঐচ বিনোকুমারী, ৱাঙু তেরাখোং জি পিগী প্রধান পি বালেশোর অমসুং বোরায়াংবী জি পি, ৱাঙু জি পিগী মেম্বর কয়ানা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গিনা হায়খি, স্কুল অসি হান্না অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লম্লবসু চহী খরা অসিদা শিথরক্লিবা অসিদগী নৌহৌননা হিঙ্গৎহন্নবগীদমক ঙসিগী শেংদোকপা অমদি শেমজিন-শাজিনবগী থবক অসি পায়খৎপনি। মরুওইনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেনগী মীৎয়েং মখাদা স্কুল ফগৎহনসি হায়বা কেম্পেয়ন অদুগী মখাদা স্কুল অসিগী অকোয়বা ফগৎহন্দবা য়াদে হায়দুনা অঙাংশিংবু মহৈ-মশিন তমহন্দবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা অঙম্বা হোৎনদুনা শেমগৎ-শাগৎপা হোৎনবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, স্কুল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা থংনবা খুঙ্গংশিংদগীসু লাক্তুনা মহৈ-মশিন তমগদৌরিবনি। মসিদা মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংবু লৈঙাক্কী স্কুলদা তমহন্দুনা অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লু বা হোৎনসি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ওজা অৱাৎপা পীরক্লগনি অদুগা লোয়ননা স্কুল বিল্ডিং অনৌবা শাননবসু হোৎনরগনি। লৈঙাক্লা পীরকপা অমদি শেমগৎলকপা ঙাইদ্রিঙৈদা ঐ ঈশা, জিলা পরিষদ মেম্বর, প্রধানশিংগা লোয়ননা অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা স্কুল অসি শেমজিনবগী থবক হৌবনি হায়খি।

## পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): থৌবাল চরাংপাৎ মনিং লৈকায়দা লৈবা করিয়র রেসিদেন্সিএল একাদেমীগী মেনেজিং কম্মিটি মেম্বর অমদি ওজাশিংনা ঙসি স্কুল অসিদা তল্লম্বা, হৌজিক্লা ২০২০-২০২১গী মেদিকেল এন্ট্রান্স টেষ্টতা মায় পাক্তুনা মেঘালয়াগী নৈগ্রিমসদা মেদিকেল তল্লিবা মহৈরোয় লাইশ্রম বিদ্যানন্দ, অপোকপা ও গম্ভির অমদি পিশংমচাবু তরাম্না ওক্তুনা অমদি খুদোল তমদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

তুংদা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা বিদ্যানন্দগুম্না মায় পাকপা ওইরকউ হায়বা পান্দমগা লোয়ননা স্কুল অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী হেদমাষ্টর, ওজাশিং অমদি কম্মিটিগী মীওই কয়া শরুক য়াখি।

## ভেন দ্রাইভরশিংদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): ইভরগ্রীন ফ্লৱর্স স্কুল থৌবাল নিঙোম্বমনা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক ভেন সর্ভিস তৌরিবশিংদা ঙসি কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী য়েংদুনা শেলগী মতেং পাংখ্রে।

স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ও ইবোপিশক, ঈ জি এফ স্কুল মেনেজিং কম্মিটিগী সেক্রেটরি ও ইবোমচা, কম্মিটিগী মেম্বরশিং অমদি ওজা কয়া শরুক য়াদুনা স্কুল অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা শেলগী তেংবাঙখিবা অদুদা ভেন দ্রাইভর ২০দা লুপা লিশিং ৩/৩ মতেং পাংখি। কম্মিটিগী সেক্রেটরি ও ইবোমচানা ফোঙদোরকপদা কোভিদ পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিং স্কুল কান্নদবা অসিনা মরম ওইরগা ভেন সর্ভিস তৌদুনা ইমুং পুরিবা দ্রাইভরশিংগী অৱাবদা মতেং খরদং ওইরবসু পাংবা ওইনা স্কুল মেনেজিংগী মায়কৈদগী শেনফম অসি পীবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মেদিকেল কেম্প অমসুং সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লিলোংদা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। অদুগা চন্দ্রখোংদনা সিক্যুরিটি মীট মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লিলোংদা পাঙথোকখিবা মেদিকেল কেম্প অদুদা মনাক নকপদা লৈবা মীওই কয়া লেম্না লায়েংখি। লোয়ননা হকচাং ফনা লৈহন্নবগীদমক লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদসু রিছোর্স পার্সনশিংনা শুগায়বা ৱারোলশিং থমখি। অমরোমদা, রিপব্লিক দেগী মাঙওইননা চন্দ্রখোংদা পাঙথোকখিবা সিক্যুরিটি মীটিং অদুদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগী মতাংদসু কুপ্না খন্ন-নৈনখি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.372024 |
| US Dollar | 73.173735 |
| British Pound | 99.397994 |
| Australian Dollar | 56.308043 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.291093 |
| Japanese Yen | 0.704816 |
| Malaysian Ringgit | 18.125018 |
| Singapore Dollar | 55.015942 |
| South Korean Won | 0.066289 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.512996 |
| Thai Baht | 2.430358 |
| Myanmar Kyat | 0.05493 |
| Bangladesh Taka | 0.86243 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 50344.00 |
| Mumbai | – | Rs | 50330.00 |
| Delhi | – | Rs | 50312.00 |
| Kolkata | – | Rs | 50460.00 |

**GAS NEWS**

**Tanglei gas Oinam**
V/f- 02-01-21
B/upto - 04-01-21
**Stock : 306**
7am to 10am
**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto : 09-11-20**
Only home delivery
Office no. 9774068549
Home delivery no. 7005771527
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 11.am
**IMPHAL LPG SERVICE**
**home delivery**
**Booking : 14/01/21**
Summit house no. LPG ID no
Address with land mark also
digital transaction and online
payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers - 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact drive and handy man except office no i.e. office no
**MAIBIA GAS MOIRANG**
**BOOKING UPTO: 05/12/2020**
VALID FROM : 04/12/2020
**STOCK= 306**
(HOME DELIVERY SERVICE),CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C). BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

## কেস ২৪ হেনগৎখি, লৈখিদবনা...

লামায় ১গী মখা... থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৮,৮৩৫ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৪৩৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪০১নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮,০৮৯ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪,৭১৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৩৭৩নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৭.৪১ য়ৌরে। অদুগা কেস ৩৮০না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩৫৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৪ য়াওরি। লোয়ননা মীওই ৭৯সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

আই দি এস পি মণিপুরদগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক মীওই ১৮০ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা সেম্পল ১০৫০ কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌখি হায়রি।

## সী এমনা পুৱারী ওইরগদবা কোভিদ ভেক্সিনেসন ষ্টেট অসিদা...

লামায় ১গী মখা... হেনগৎহনখি। লৈবাক অসিগী রিসার্ছরশিং অমদি সাইন্টিষ্টশিংনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন মতম চানা পুথোক্লুনবা কন্না হোৎনখিবা অদুগীদমক্তসু থাগৎলি। কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন পুথোরকপা অসিনা মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লু দুনা লাকখিবা অদু অচৌবা রিলিফ অমা ফংহল্লে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হেল্থকী এদভাইজর টু সী এম, ডা. সাপম রঞ্জন, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমার, এদিসনল চীফ সেক্রেটরি পি ৱাইফৈ, হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজো, ফেমিলি ৱেলফ্যের সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. পি শ্যামসুন্দর, এন ঐচ এমগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাই অমসুং জেনিমসকী দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ভিমোসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌদোকখ্রবা মতুংদা জেনিমসকী দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ভিমো অমদি হোস্পিটাল অসিদা মথৌ তৌরিবা হেল্থ ক্যের ৱর্কর কয়াদা কোভিসিল্ড কাপখি।

অমরোমদা, রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তসু কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌদোকখ্রে। রিমসকী কোলেজ ওফ নর্সিংদা হৌদোকখিবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদুদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তা অমদি ইনষ্টিট্যুট অসিগী ডোক্তর কয়া য়াওনা হেল্থ ৱর্কর ১০০দা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কোভিসিল্ড কাপখি।

ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা হায়খি, ইনষ্টিট্যুট অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌবগী খুদোংচাবা অমা পীবীবগীদমক নুংঙাইবা পোকই। ভেক্সিন অসিগী সাইট ইফেক্ট অমত্তা লৈতে হায়বদু পুম্নমক্তা খঙহন্নবগীদমক ঙসি ভেক্সিন অসি ইশামক্তা কাপ্লিবনি। ভেক্সিন অসিবু পুথোক্লুবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা সাইন্টিষ্টশিংবুসু থাগৎলি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি থাগৎলি। মীয়াম্নসু মীপায়বা তৌদনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লুনবগীদমক ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

রিমসতা কোভিদ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, এন প্রবিন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ দি সী, ৱাই নেলসন, এস দি ও লম্ফেল পুজা এলাংবম, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োশখি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী সী এম ও, ডা. ঐচ কুল্লা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইম্যুনাইজেসন ওফিসর ডা. টি ঐচ শান্তজিৎসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিমসকী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী হেদশিং, ফেকল্টি মেম্বরশিং অমদি ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, তমথিরবা লায়না-লাইচৎ অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা ঙসিদগী কোভিসিল্ড ভেক্সিন কাপথোকপা হৌখিবগা লোয়ননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দি সী থৌবাল এন বন্দনানা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. সী ঐচ মেমচাদা অহানবা ওইনা ভেক্সিন কাপথোকখি। ভেক্সিন কাপ্পগী কেম্পেয়ন অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী হেল্থ ক্যের ৱর্কর ৩০৩২দা অহানবা ওইনা কাপকদৌরি। মসিগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী হেল্থ ক্যের ৱর্কর ৩৯৩ কাপথোকপা লোইরবা তুংদা অতোপ্পা লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পি ঐচ সী, সী ঐচ সীনচিংবশিংগী ৱর্করশিং কাপকদৌরি। ভেক্সিন অসি নোংমদা সিজন অমমমদা মীওই ১০০/১০০ কাপ্পবা টার্গেট থল্লি হায়রি।

হেল্থ ক্যের ৱর্করশিং কাপথোকপা লোইরবা মতুংদা ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংদা ভেক্সিন অসি কাপথোক্কদবনি। ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং অসি থা অসিগী ২৫ ফাওবদা রেজিষ্টর তৌহৌগদবনি হায়রি। ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংগী তুংদা চহী ৫০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা ভেক্সিন অসি কাপকনি হায়রি।

সেরম ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা শাবা কোভিসিল্ড ভেক্সিন কাপথোকখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. সী ঐচ মেমচানা হায়খি, ভেক্সিন অসি কাপ্পবা তুংদা করিগুম্বা ইফেক্ট অমত্তা লাকপগী মমি তাদে। ভেক্সিন অসি সেফ ওইরে হায়না লৌজে। মরম অসিনা তমথিরবা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবা ঙম্লগনি হায়না খঞ্জে। মীয়াম্না ভেক্সিন অসিগী মতাংদা পূক্নিংদা নুংঙাইতবা, মীপায়বা তৌবীগনু হায়না মীয়ামদা আপিল তৌখি।

দি সী থৌবালনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্ল বগীদমক্তা শারিবা ভেক্সিন অসি সেফ ওইরে হায়বগী প্রুফ লৈরবনি। মরম অসিনা মীয়াম্না ভেক্সিন অসি কাপথোকপদা মীপায়বা অমত্তা তৌবীদনবা শরুক য়াবীয়ু হায়না মীয়ামদা আপিল তৌখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরদা দি সী বিষ্ণুপুর নীতা অরাম্বমনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুরগী এস পি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রম, সী এম ও বিষ্ণুপুর ডা. এল গোজেন্দ্র, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরগী এম এস, ডা. এন বিনো অমসুং কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স বিষ্ণুপুরগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদু হৌদোকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা সী এম ও বিষ্ণুপুর ডা. এল গোজেন্দ্রদা ইহান হান্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কোভিসিল্ড কাপখি। তুংদা ডোক্তর অমদি হেল্থ ক্যের ৱর্কর খরদসু ভেক্সিন অসি কাপখি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা পুন্না বেনিফিসরি ২৯৭তা ভেক্সিন কাপথোক্লুনবা পান্দম থল্লি হায়রি।

পনবা য়াই, ভেক্সিন কাপকদৌরিবা সেন্টরশিং অসিদা ৱেইটিং এরিয়া, ভেক্সিনেসন এরিয়া অমসুং ওবজার্ভেসন এরিয়া হায়না এরিয়া ৩ থোক্লা খায়দোক্লগা থল্লি।

ষ্টেট অসিদা ঙসিদগী কাপ্পা হৌরিবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অসি ওক্সফোর্দ-এসট্রাজেনেকানা পুথোক্লগা পুনেদা লৈবা সেরম ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা শাবা কোভিসিল্ডনি। ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসি চথননবা মফম ২৪৬সু ষ্টেট লৈঙাক্লা আইদেন্টিফাই তৌখ্রে। হায়রিবা মফমশিং অসিদা দ্রাই রনসু পাঙথোকখ্রবনি।

## সেকমাই তুরেলদা চথখিবা...

লামায় ১গী মখা... মোহেন্দ্রো অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম হরিছয়াদা হায়রিবা রিপোর্ট অসি চুম্ব্রা নৎত্রগা লানব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা সেকমাই তুরেল মরিলদা ইন্সপেক্সন চৎননবা দিরেক্সন পীখিবনি।

কোর্টনা পীরকখিবা দিরেক্সন অসিগী মতুং ইন্না এমিকস ক্যুরিশিংনা সেকমাই তুরেলগী হৌরকফম য়াওনা তুরেল অসিগী মরিলদা চথখিবা ইন্সপেক্সনগী রিপোর্ট থা অসিগী ১৩দা কোর্ট অসিদা সবমিট তৌখি। লোয়ননা কোর্টকী দিরেক্সন মতুং ইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা চথখিবা ইন্সপেক্সনগী রিপোর্টসু থা অসিগী ১১দা কোর্টতা সবমিট তৌখি।

লোয়ননা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা চিফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা মেটর অসি অমুক হন্না লৌখৎতুনা খন্নখিবগা লোয়ননা এমিকস ক্যুরি অনী অমসুং এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টনা চথখিবা ইন্সপেক্সনগী রিপোর্টশিং অদু মথৎগী হীয়ারিংদা খন্ননবগীদমক কেস অসি ফেব্রুৱারি ৪, ২০২১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, কোর্টনা মেটর অসি লৌখৎলকপদা মণিপুরগী তুরেলশিংদগী ইল্লিগেল ওইবা মওংদা নুঙ অমদি লৈঙোইনচিংবা লৌথোকপগী মতাংদা দাইরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী মায়কৈদগী ইনভাইরনমেন্টেল ইস্পেক্টস ওন রিভর্স ওফ মণিপুর হায়বা রিপোর্ট অমসু থা অসিগী ১৩ দা কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরকখ্রে হায়রি। ৱাফম অসি মেটর অসি লৌখৎলকপদা মণিপুর লৈঙাক্কী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

## হায় কোর্টনা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল...

লামায় ১গী মখা... লৌখৎহল্লকখিবনি। কোর্ট অসিনা চথরকখিবা পি আই এল অসিগী ৱায়েলগী মখা তারকপদা থা অসিগী ১২দা মেট্টর অসি অমুক হন্না চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা লৌখৎখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পি আই এল অসিগী এমিকস ক্যুরি ওইনা হাপখ্রবা কাউন্সেল অহন্থেম রোমেনকুমার অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎ অমসুং য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল (এ এস জি) এস সুরেশকী মায়কৈদগী সবমিট তৌরকখিবা ৱাফমশিং কোর্টনা তাখি।

কোর্টনা পার্টি পুম্নমক্কী মহুৎ শীনবা এমিকস ক্যুরি, এদভোকেট জেনরেল অমসুং এ এস জিগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা পীখিবা চেনা অনী পানবা ওর্দরনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মীচেন ওইরক্লিবা ফাদোক অসিগী মতাংদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি-ইন্টল্লিজেন্স)না কোর্ট অসিদা চৎলিবা থা অসিগী ১১দা পীখৎলকপা এফিদেবিট রেকোর্দ তৌরে হায়খি।

আই জি পি (ইন্টল্লিজেন্স)গী এফিদেবিট অসিদা মীরোৎ ওইরক্লিবা ফাদোক অসিবু ফাননবগীদমক লৌখৎখিবা থবক থৌরমশিং মরিক চুম্না পল্লে হায়খি। লোয়ননা কোর্টনা আই জি পি (ইন্টল্লিজেন্স) অসিমক্তদা মীচেন ওইরিবা ফাদোক অসিবু ফানবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা হায়খি। কোর্টকী দিরেক্সন অসিগী মথক্তা পুলিস ওফিসর অসিদা মীচেন ওইরিবা কনভিক্ট অসি অন্দরগ্রাউন্দ ইলিমেন্টশিংনা লোৎশিন্দুনা থল্লে হায়বগী ৱাফম য়েংলদুনা কনভিক্ট অসিবু ফানবগীদমক গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী চপ চাবা এজেন্সীদা হায়জনবগী অয়াবসু পীরে হায়খি।

কোর্টনা আই জি পি (ইন্টল্লিজেন্স)দা পর্মিসন অসি পীবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মখোয়গী এজেন্সীশিংগী খুথাংদা মীচেন ওইরক্লিবা ফাদোক টিমোথি লালমুনমোই চাংসানবু লৌখৎপা য়াবা পাম্বে পুম্নমক লৌখৎতুনা ফাননবা দিরেক্সন পীখি।

লোয়ননা কোর্টনা পীরিবা দিরেক্সন অসিবু থবক্তা ওন্থোকপগী রিপোর্ট অমা চৎলিবা কুমজা অসিগী মার্চ ৯, ২০২১দা কোর্ট অসিদা পীরক্নবসু খঙহনখি। অদুগা মেট্টর অসি নুমীৎ অদুমক্তদা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, মীচেন ওইদুনা লৈরক্লিবা ফাদোক অসিদা ইস্যু তৌখিবা পাসপোর্ট লৌশিন্নবগী থবকশিং কোর্টকী মায়কৈদগী লৌখৎখিবগা লোয়ননা নেসনল ক্রাইম ব্যুরো (এন সী বি), সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)দগী হেন্দোরক্তুনা ন্যু দেল্লিদা লৈবা ইন্টরপোলদা ফাদোক অসিগী মতাংদা রেদ কোর্নর নোটিশ ফাওবা ইস্যু তৌনবা খঙহনবগী তাঙ্ককশিং লৈখ্রবনি।

## জুনিয়র লেভেল পোষ্টশিংগী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টতা ইন্টর্ভিয়ু তৌররোই হায়বা ৱাফম লোয়শঙ...

লামায় ১গী মখা... (ভাইভা ভোসি) তৌররোই হায়খিবা দি পিগী কম্মিস্নার পি কে সিংহনা থোকখিবা ওর্দর অদুগী নম্বর. ২৩/৮৯/২০১৫-মিসেলিনস/দি পি ওইরমখি। ওর্দর অদুনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্কী জুনিয়র লেভেল পোষ্টশিংনি হায়রিবা গ্রেদ-থ্রী অমসুং ফোরগী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌরকপদা ইন্টর্ভিয়ু য়াওররোই হায়বগী ওর্দর অসি লিংখৎখিবা কুইদ্রিবা লৈঙাক অসিনা মার্চ ২৪, ২০১৭তা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্ননি হায়খি। লোয়ননা ইন্টর্ভিয়ুগী তাঙ্কক (ষ্টেজ) লৈররোই হায়বগী ওর্দর অদু খুদক্তগী চৎনরগনি হায়খি। মসিগী মথক্তা ওর্দর থোকখিবা মতম অদুদা পাঙথোকপা করিগুম্বা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিং মপুং ফানা লোইশিন্দবা য়াওরগদি মরী লৈনরিবা দিপার্টমেন্ট অদুনা ৱাফম অদু ষ্টেট কেবিনেটতা পুখৎতুনা চপ চাবা দিরেক্সন অমা লৌননবা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক ওর্দর থোকপা মতম অদুদা অনৌবা লৈঙাক ওইখ্রবসু হৌজিক্তি মসিগী টর্ম লোইগদবা চহী ১মুক্তা ঙাইশিল্লক্লবা তাঞ্জাসিদা লৈঙাক্লা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা লৈঙাকসিগী মখাদা লৈরিবা লোয়শঙ খরনা মখোয়-মখোয়গী হায়রিবা পোষ্টশিং অসি দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টশিং চথরকপদা ভাইভা বোসি (ইন্টর্ভিয়ু) তৌরগনি হায়দুনা ফোংনা লাউথোক্লরকপা অসিনদি লৈঙাকসিনা পীখিবা ওর্দর অদু শুপ্পতগী মৌ অনৌবীগী থবক হায়বদুদা তাহল্লব্রা হায়বসিনি।

দি পিগী কম্মিস্নারনা থোকখিবা লৈঙাক্কী ওর্দর অদু ষ্টেটকী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর পুম্নমক, চীফ সেক্রেটরি, দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর, প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট, এদিসনল চীফ সেক্রেটরি/ প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নার/ সেক্রেটরি পুম্নমক, দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিং, মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্কী হেদশিংদা কোপীশিং পীখি। লোয়ননা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (আই পি আর)গী দিরেক্টরদসু ওর্দর অদুবু ৱাইদ পব্লিসিটি তৌনবগীদমক কোপী পীখি। মসিগী মথক্তা ওর্দর অদুগী কোপী অমা দিরেক্টর, প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসন্নরিদা পীরদুনা মণিপুর গেজেটতা ফোঙনবা খঙহনখি। অদুগা সেক্রেটরিয়েটতা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী ৱেবসাইট মেনেজরদসু ওর্দর অসিগী কোপী অমা পীদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌনবা খঙহনখি।

অদুম ওইনমক হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি লৈঙাক অসিগী মখাদা লৈরিবা লৈঙাক অসিমক্লা খুর্জি পায়বগা লোয়ননা মশাগী মশা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নগদবা লোয়শঙ খরনা চথরকপা মখোয়গী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টগী প্রোসেসতা ইন্টর্ভিয়ু (ভাইভা ভোসি) পাঙথোক্কনি হায়রক্লিবা অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক করিনো। ওর্দর অসি লৈনা লৈনা লোয়শঙশিংনা অপাম-অপাম্বা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিং চথনরক্লিবা অসি মখোয়বু লৈঙাক্লা মথংগী মীখলগী মতম খুৎনা লাম্বা ফংলক্লে হায়দুনা কাও থাবদৌনা থারব্রা হায়বসিসু ৱাহং অমা ওইরি।

লোয়ননা পাউচে অসিনা ফংলকখিবা রিপোর্টশিংনা মখা তানা হায়বদা হৌজিক মীখলগী মতম নকশিল্লকপনা ওইগদৌরিব্রা নৎত্রগা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চথুদুনা লৌবগী অথিংবা লৌথোকখিবদগী ওইগদৌরিব্রা লোয়শঙশিংনা পাক্তক্লনা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিং চথনরকপদা ইন্টর্ভিয়ু (ভাইভা ভোসি) পাঙথোক্কনি লাউথোরকপা খরা থেংনরে। মখোয়শিং অদু লোইনা কোৎথোক্লুদ্রবসু ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্কী মশীং খ্বাইদগী য়াম্না কেন্দিদেটশিংনা শরুক য়ারিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ১০ অমসুং ১১শুবা ইন্দিয়ন রিজর্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি)গী রাইফলমেন লৌনবগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসকী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা রিট্টন টেষ্ট এগজামিনেসনগী রিজল্ট দিসেম্বর ৯, ২০২০দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা লাউথোকখ্রে।

রিক্রুটমেন্ট অসিগী দি পি সীগী চ্যেরমেননা লাউথোকখিবা নোটিফিকেসন (রিজল্ট) অদুদা রিট্টন টেষ্ট অসিদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনা মসিগী ইন্টর্ভিয়ু (ভাইভা বোসি) য়াওনবগীদমক ক্বালিফাই ওইরে হায়খি। লোয়ননা থা অসিগী ১৩দা থোকখিবা দি পি সীগী চ্যেরমেন দি দৌঙেল (এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস-প্রিজন্স/ট্রেনিং)গী সার্ক্যুলর নম্বর- ১/দি পি সী (রিক্রুটমেন্ট)/১০ এন্দ ১১ (আই আর বি)/২০১৯/১২৮কী মতুংইন্না রিট্টন টেষ্টতা মায় পাক্লবা রাইফলমেনগী কেন্দিদেটশিং অদুগী ইন্টর্ভিয়ু (ভাইভা বোসি) জন্যুৱারী ২৯, ২০২১দগী হৌরগা মার্চ ২৫, ২০২১ ফাওবা নুমীৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৯দগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বক্কেট হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, দি পিগী কম্মিস্নার পি কে সিংহনা মার্চ ২৮, ২০১৭তা জুনিয়র লেভেল পোষ্ট (গ্রেদ-থ্রী অমসুং ফোর)গী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টতা ইন্টর্ভিয়ু য়াওররোই হায়দুনা থোকখিবা ওর্দর অদুগী কোপী অমা দি জি পি, মণিপুরদা পীখিবনি।

অমরোমদা, লৈঙাকসিগী মখাদা ইম্ফালগী সঞ্জেন্থোংদা লৈরিবা দিরেক্টোরেট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি (ভেটি এন্দ এ ঐচ) সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ঐচ চাওবনা থা অসিগী ৪দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা লোয়শঙ অসিগী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্লুবগীদমক এপ্রুভ তৌরবা ভেটিরিনরি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট-৬০, প্রাইমারী ইনভেষ্টিগেটর-২ অমসুং ভেটিরিনরি এটেন্দেন্ট-১০০গী পোষ্টশিং লৌগনি হায়খি।

দিরেক্টর অসিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুগী নম্বর- ভি ৱাই/৬৬/ঐচ এ/২০১৮-ভেটিরিনরি (পার্ট) নি। দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টকী নোটিফিকেসন অদুগী কোপীশিং মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমদি কম্মিস্নারদা পীবগী মথক্তগা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জকী দিরেক্টরদসু পোষ্টশিং অদুগী মতিক চাবা কেন্দিদেটশিং স্পোন্সর তৌরক্লবা পীখি। লোয়ননা লৌগদৌরিবা পোষ্টশিং অসিগীদমক ওরিজিনেল এক্সচেঞ্জ কার্দ অমসুং লোয়শঙ অসিদগী লৌগদবা এপ্লিকেসন ফোর্মশিং মেনশিল্লবা মতুংদা রিক্রুটমেন্ট অসিগী ইন্টর্ভিয়ু (ভাইভা বোসি) য়াওনবগীদমক এদমিট কার্দ লৌননবা ৱাফমসু খঙহনখি। লোয়ননা ইন্টর্ভিয়ুগী মতম কোন্না লাউথোরক্কনি হায়খি।

মতাংসিদা অমুক্কসু লাক্লিবা ৱাফমদি লৈঙাক অমসুং মসিগী মখাদা লৈরিবা লোয়শঙশিংগী মরক্তা করি করম্বা ঈশিংগা থাউগা য়ানশিন্নবগুম থোকহনবা মরমশিং লৈরবগে হায়বসিনি। অদুগা করিগুম্বা ইন্টর্ভিয়ুগী থবক য়াওররোই হায়বগী ওর্দর থোকখ্রবা মতুংদা পাঙথোকখিবা গ্রেদ-থ্রী অমসুং ফোরগী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট খরদা অতৈ চাংয়েংশিংদা মায় পাক্লক্লগা পাঙথোক্লররোই হায়খিবা ইন্টর্ভিয়ু অসি পাঙথোকখিবদা মায়থিহৌখিবা কেন্দিদেটশিংগী মায়কৈদগী লো কোর্টকী থোঙজিনদা লেপ্পরগনা করম্বা পাউখুম পীগদৌরি হায়বসিনি।



HL-B/6661/01-30